HUEIYEN LANPAO
Friday, January 18, 2019, Imphal


# খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা হন্দক মণিপুরগী জুদো টিম্না লৌরকখিবা মেদলসি সনাগী ২, লুপাগী ৩, সেঞ্চেংগী ৪নিঃ দিনিট


এল দিনিট (জুদো কোচ)

(হান্নগী মখা...) দেল্লিদা বি এস এফকী টিম পায়জরম্বদুসু কোচ অমা ওইনা ঐহাক এচিভমেন্ট খরদি পীজরম্মী। ঐনা ত্রেনিং পীজরম্বা মওংদুসু শান্নবগা মরী লৈননা চঙলকপা প্লেয়র ঙাক্তা ওইবনা য়াম্না নুংঙাইজখি। অফবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিং অদুদি মেদলসু অদুমক লৌরকই। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া পুলিস মীটসু চাউনা মায় পাকপা ঙমজরকখি। কোচ অমা ওইনা এচিভমেন্টশিং পঞ্জরবদা, কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসতা সিলভর মেদল অমা; কুমজা ২০১৬কী সাফ গেমসতা সিলভর মেদল অমা; কুমজা ২০১৮দা তৌখিবা এস এ এফ জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অমা, লুপাগী অনী; কুমজা ২০১৫, ২০১৬ অমদি ২০১৭তা তৌখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস গেমসতা থংনথংননা অহুম্নক টিম চেম্পিয়ন, নেসনল গেমসতগী গোল্ড মেদল অনী, অদুগা সেনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল মরি, লুপাগী অনী, সেঞ্চেংগী অহুম মথংশিংনা বি এস এফকী টিম কোচ ওইনা লৈজবা মতমদা পীজখি। তশেংনা ইরমদম মণিপুরদা ঐনা লাকচরিবসিসু মণিপুরগী জুদোকাশিং শেমগৎপদা অঙম্বা থৌদাং খরদংদি লৌজগে খঞ্জবদগীনি।

হৌজিক ঐনা লৈজরিবসিনা ইন্সপেক্টর ওইনা এম পি টি সী পাঙ্গেদনি। জুদো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চে-চাং চৎনরবা মতুংদা ষ্টেটকী টিম পায়জরগা ত্রেনিং তৌজবনি। মণিপুরদা লাকচবসিসু ঐদি থা ৫/৬ রোমতমক ঙাইজরি। হন্দক ঐনা নেসনল অমদি খেলো ইন্দিয়াগী মণিপুর টিম পুদুনা চৎচবসি পুন্সিগী অহানবনি। বিশাখাপত্নমদা তৌখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮/২০১৯দদি মণিপুর টিম মেদল ফজনা লৌরকপা হায়বদুসু ওইখিদ্রে। কোচিং কেম্পকা তৌদুনা নুমিৎ খরনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রামসু য়াম্না থৱায় য়াওনা তৌজখিবনি। অদুবু, অসাম রাইফলসতা লৈবা মেদল শোয়দনা লৌগদবদা প্লেয়র নুপামচা অহুম, নুপীমচা অনী লাষ্ট মিনটতা টিম চৎলমদাইদা পার্মিসন পীরকখিদবগী মণিপুর টিমদা মখোয় মঙা য়াওখিদে। অসাম রাইফলসকী জুদো টিমসি ফেদরেসন্দা এফিলিয়েসন তৌদবনিনা মণিপুরদা অদুম শান্নবনি। অদুগা ওল ইন্দিয়া পুলিস মীটতা গোল্ড লৌরকখিবা সুশিলাগা, সুনিবলাগসু পুলিস কন্ত্রোল বোর্দতা শান্নখিবদগী হান্না থল্লুবা মেদলগী ৱাখলদুদি কায়খি। অদুমকপু গোৱা নেসনল গেমসতবুদি ইশা ইশাগী ষ্টেটতা শান্নজগদবনিনা জুদোদগী সনাগী মেদল মরি/মঙাদি শোয়দনা ফংগনি। খেলো ইন্দিয়াদা মণিপুরদগী ক্বালিফাইদ রাউন্দ চঙবা ঙম্লিবসি নুপামচা অমদি নুপীমচা ১২নি। অদুগা মেদল লৌরক্লিবসিনা মাপলনি। হন্দক চহীগী ওইনা জুদোগী থারম্লিবা প্লেয়রসি শুপ্নগী অন্দর-১৫গা অন্দর-১৭ খক্তগীনি। অন্দর-১৯গী স্কুল গেমসকী থারমদবনা জুদোগী ক্বালিফাইদ



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জুদোদা মীৎয়েং অমা

ওইবা অঙাং মশীংসিসু কয়া য়ামদে। ঐসু হন্দক মণিপুর টিম পায়জরুবদগী খঙজরকপনি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯ (পুনে) দা মণিপুরগী জুদো টিম্না ফংখিবা মেদলসি টি ঐচ তবাবী (কিলোগ্রাম ৫২) গোল্ড, এম ইন্দুবালা (কিলোগ্রাম ৭৮) গোল্ড, এল রুবীনা (কিলোগ্রাম ৫৭) সিলভর, টি ঐচ অবুংচা (কিলোগ্রাম ৬৬) সিলভর, এল ঙান্থোই (কেজি ৫২) সিলভর, এল চাউবা চনু (কেজি ৬৬), আর কে দাইনা (কেজি ৬৩), এল গুগুরিয়া (কিলোগ্রাম ৬৩ মথক), ঐচ কেশ্বরজিৎ (কিলোগ্রাম ৫০) মথংশিৎনা ব্রোঞ্জ মেদলনি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা লৌরকখিবা মেদল মশীং অসি সনাগী ২, লুপাগী ৩, সেঞ্চেংগী ৪ পূন্না মেদল মাপলনি। অন্দর-১৯গী স্কুল গেমসতা জুদোগী টিম থাবিরম্লবদি অঙাং ফনা য়াম্না ক্বালিফাইদ ওইরমগদবনি।

হৌজিক্তি খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসি অফবা অঙাংশিং মশক খঙদোক্লগা শেম্নবগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনরকপা ওইবনা ঐখোয়গী অঙাংশিংসু য়ারিমখৈ ইনশিনহৌনবা হোৎনবসু চুম্মী। হান্না পাঙথোকখিবা অন্দর-১৫, অন্দর-১৭, অন্দর-১৯গী ওইবা কম্পিটিসনশিংদগী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংখক্তমক খনগৎলগা তৌহনবা চাংয়েংনিনা ঐখোয়গী অঙাংশিং থাহৌবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওই।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতগী খঙ্গৎলবা শান্নরোয়শিংগীদমক হৌজিক্তি অখন্নবা থৌরাং কয়াসু লৈখ্রে। ওলিম্পিক এরেনা য়ৌনবা মথং মথং শেম্লককদৌরি। জুদোগী প্রেক্টিশ তৌনবা ত্রেনিং সেন্টর খনবদা, মণিপুরগী সাই সেন্তর অসিসু হৌজিক্তি লাউথোকপদা য়াওরে। মরম অদুনা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯সি জন্যুৱারী ১৯দা লোইশিল্লবা মতুংদা জন্যুৱারী ২১দগীদি খেলো ইন্দিয়া মেদল লৌখ্রবা শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিং তৌগদবা মফমশিংসু খঙলগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অখন্নবা স্কিম অমগী মখাদা চত্থরক্লিবা প্রোগ্রাম অসি মপূং ফানা চলাইবা ঙম্লকপা মতমদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতসু হান্নদগী অহোংবা খরদি লাক্লগনি। জুদোদা ঐখোয়গী অঙাং খরসু হেন্না মশক থোরক্লগনি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৭


১। ক্রিকেট শান্নবদা মমিং চৎলবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেন ইন্দিয়াদা অমুক্তা লাকখিদ্রি অদুবু মহাক্কী নুপী জেশী ব্রেদমেনদি ইংলেন্দা চৎপা মতমদা বোম্বে (মুম্বাই) গী হিথাংফমদা মহাক্কী জহাজ অদু খামদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হরাউনা ওকপীখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২। রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরিঙৈদা টেষ্ট মেচ শান্নবদা পাঞ্জল থোয়নখিদবা হায়বদি দ্রো ওইখিবগী মশীং অদু চাদা কয়ানো?

৩। ওলিম্পিক গেমস চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকই। নেমিয়া গেমস চহী কয়া কয়া লৈরগা পাঙথোক্লম্মী?

৪। মহাক হোনোলুলুগী প্রিনসেসরুথকী কোনুংদা পোকপা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ মচানুপা অনীশুবা দিউক-ওফ-ইন্দিনবরা ঈথৎ অদু য়েংবা লাকখি। মহাক ওলিম্পিক্কী ইরোইবদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## এম কুঞ্জো ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাং-থেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কৈরাও এফ সী অমসুং বেদমেন এফ সী থাঙ্গ মায় পাকখ্রে। সোটে ৱাই বি অমদি ফুটবোল লভিং টিম অমসুং পি ৱাই সী অমদি বি এল এম ঈ সী-বি দ্রো চৎখ্রে।

লীগ রাউন্দগী ১০শুবা মেচতা কৈরাও এফ সীনা ক্যামগৈ খাগি ক্লবপু পাঞ্জল ১-০; ১১শুবা মেচতা বেদমেন এফ সীনা বি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। ১২শুবা মেচতা সোটেৱাই বি অমদি ফুটবোল লভিং টিম পাঞ্জল ০-০ অমসুং ১৩শুবা মেচতা বি এম এল ঈ সী-বি অমদি টি ৱাই সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

## পুপু কপ ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এস বি আর এফ সী নোংদম অমসুং ৱাই দি সী এল পুংদোংবম মায় পাকখ্রে। লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পুংদোংবম এফ সী অমসুং এস বি আর এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এস বি আর এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

লীগ রাউন্দগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা লমঙানবা এফ সী অমদি ৱাই দি সী এল পুংদোংবম শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

## সেক্তা ত্রোফি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ ফুটবোল ক্লব সেক্তানা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা মঙাশুবা লমলাই খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র এন্দ ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সেক্তা ত্রোফি) ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং বি এস য়ু নোংপোক ককচীং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। টিম ১৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঈগী লমলাই এফ সী অমসুং ঈ য়ু এস সী তেলৌ শান্নখিবা মেচ অদু ঈ য়ু এস সী তেলৌনা পেনালটিদা পাঞ্জল ৩-১দা অমসুং অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা গ্রুপ এফকী ৱাই দি সী এল অমসুং বি এস য়ু শান্নখিবা মেচ অদু বি এস য়ুনা পেনালটিদা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখি।

# মেজর লাইশ্রম জোতিন, এ সী মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ রেদ সিল্ড দিভিজন অমদি মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ) গা খূৎশম্নরগা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অন্দর ওপরেসন সাবভাবনা ২০১৮-১৯গা মরী লৈননা মেজর এল জোতিন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোয় ১৩৪না ইভেন্ট ১৪দা চাঙদম্ন গদৌরিবা মেজর এল জোতিন এ সী মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী দি জি পি এম এল খৌতে (আই পি এস), বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এল সরিতা অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী দিরেক্টর ৱাই সমরেন্দ্রনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৩ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা মেচতা বিকাস ফুরাইলাকপমনা পোইরৈঙানবা হৈন্নামবু ২-০; দল্লিয়ু য়ুবরাজনা কে ঐচ দেবিদসনবু ২-০; রিচার্দ এলাংবম্না আর কে চিত্তরঞ্জনবু ২-০; কে এস ঐচ কেনোরিচনা পি পুটিনবু ২-০; এল ব্রিক্সন্না এল লুৱাংঙম্ববু ২-০; টি ঐচ হর্সনা মার্টিন ইঙুদম্বু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

মেন্স সিঙ্গলসকী মেচতা এস মনিস্নানা অরিবম বিনিট শর্ম্মবু ২-০; রুপচন্দ্র এনা ও চন্দ্রজিৎপু ২-০; কে নেত্রজিৎনা হিটলর নোংথোম্বমবু ২-০; এম অরুনকুমারনা ও বলেন্দ্রজিৎপু ২-০; নিকি এমনা সিৱাসিস চেত্রিবু ২-০; সরজিৎ এমনা আর কে হেনরিবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

চহী ১৫ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম ৱ্রজমনিনা সমৱাস এমবু ২-০; রিপুজিৎ লাইশ্রমনা সুন্দরলাল এসপু ২-১ অমসুং আর কে এলেন্না এস বিসালবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা এ এম এস এস টি এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এরেকা, পারি ইমোম, সেন্ট জোর্জ, এ এম এস এস টি এ, কিটস ফাউন্দেসন, এস এল এরেনা, মারিয়া, টাইনিটোট ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ কিটস ফাউন্দেসন স্কুল ভেন সার্ভিস য়ুনিয়ন্না এ এম এস এস টি এগী মীৎয়েং মখাদা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়ালগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা এ এম এস এস টি এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এরেকা, পারি ইমোম, সেন্ট জোর্জ, এ এম এস এস টি এ, কিটস ফাউন্দেসন, এস এল এরেনা, মারিয়া, টাইনিটোট ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৪না কাঙলূপ ৪ থোক্লগা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা এ এম এস এস টি এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৫০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা উসস অমসুং এ এম এস এস টি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্দনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী



লোইবা ফাওবদা এ এম এস এস টি এগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মেচ লোইশিল্লকপদা এ এম এস এস টি এনা উসসপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.১৫ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেন্ট জোসেফ অমসুং কিটস ফাউন্দেসন লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা কিটস ফাউন্দেসন্না সেন্ট জোসেফপু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা কিটস ফাউন্দেসন্না সেন্ট জোসেফপু গোল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা টাইনিটোট অমসুং সেন্ট এন্থোনি লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ৩৬তা টাইনিটোটকী জর্সি নম্বর ৩ সিবদত্তনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্ল-কপদা টাইনিটোটনা সেন্ট এন্থোনিবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা এস এল এরেনা অমসুং সেক্রেট হার্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অদু মায়কৈ অনীমক্তগী মায় পাক্লবগীদমক হেক হৌরকপদগী হৌনা য়াঙনা শান্নরকখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এস এল এরেনানা পাঞ্জল ৫-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী সেক্রেট হার্টকী মায়কৈদগী এস এল এরেনাগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্ল রকখি। অদুবু এস এল এরেনাগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এল এরেনানা পাঞ্জল ৯-২দা মায় পাকখি।

লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা গ্রুপ এদা এরেকানা অহানবা অমদি কিটস ফাউন্দেসন্না অনীশুবা পোজিসন; গ্রুপ বিদা সেন্ট জোর্জনা অহানবা অমদি টাইনিটোটনা অনীশুবা; গ্রুপ সীদা মারিয়ানা অহানবা অমদি এ এম এস এস টি এনা অনীশুবা অমসুং গ্রুপ দিদা এস এল এরেনানা অহানবা অমদি পারি ইমোমনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

## ইবোতোন ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা চত্থরক্লিবা মরিশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি আইদিএল ক্লব অমসুং য়ু এফ এ শান্নখিবা মেচ অদু আইদিএল ক্লবনা পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাকখি।

## পিশক ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা চত্থরিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লীগ রাউন্দগী ৩৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি কে আর এফ সী অমসুং অমোফা-এ শান্নখিবা মেচ অদু কে আর এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। কে আর এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু এম এদাম অমসুং এল লিভিং ষ্টোন্না চনখিবনি।

## বলানন্দ ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা ২৪শুবা মেচতা এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাংনা লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্টপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। এম পি আই আই ৱাই এগী পাঞ্জল অদু থোইথোই অমসুং সুরজনা চনখি।

## হরাওরৌ ত্রোফি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই এস এনা এম জেদ এস য়ু; ৱাই এম সী - বিনা এ এন ৱাই সী অমসুং ৱাই দি ওনা লমলাই এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

## ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর এফ এনা কুম্বী এফ সীবু পাঞ্জল ৯-২দা মায়থীবা পীখি।

## কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপীদা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱার্দ নম্বর ৱান-এনা ৱার্দ নম্বর টেন; ৱার্দ নম্বর ৱান-বিনা ৱার্দ নম্বর ফাইভ এন্দ সিক্স মায়থীবা পীখ্রে। ৱার্দ নম্বর টু এ-টু অমদি ৱার্দ নম্বর ৭-এ দ্রো চৎখ্রে।